# ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা অবা অমদি সি এস সি দ্রো চৎখ্রে, ই এস য়ু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা শান্নবা হৌখিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এঠলেটিক ব্লাদরস এসোসিয়েসন ( এ বি এ) খেক্কিগাও অমদি চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এস সি) চনুং দ্রো চৎখ্রে অতোপ্পা মেটচ অমদা ইষ্ট্রন স্পের্টিং য়ুনিয়ন ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ৩৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এঠলেটিক ব্লাদরস এসোসিয়েসন ( এ বি এ) খেক্কিগাও অমদি চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এস সি) চনুংনা শান্নখিবা মেটচ গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা এঠলেটিক ব্লাদরস এসোসিয়েসন ( এ বি এ) খেক্কিগাওনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এস সি) চনুংগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এস সি)না নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ১২ চৎপদা অবা খেক্কিগাওগী জর্সি নম্বর ১৭ মলেমঙানবনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং দা সি এস সি চনুংনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোরক্তুনা অবা খেক্কিগাওবু চপ চন্না শীংন্নরক্তুনা মেটচ অসি অমুক লাকশিন্না শান্নরক্তুনা ময়োল অমদা পুরক্তুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চীঙশিনখি।

সি এস সি চনুংনা চথখিবা এটেকশিংগী অদুগী মমল য়াম্লবা মহৈ ফঙদুনা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়বদু অহাপ্পা মিনট ১ দা টিমশিংগী জর্সি নম্বর ৭ গৌলেননা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নাকল অনীমক্কা গোল চন্নবগী তাঞ্জশিং ফঙন্নখ্রবসু গোলদা ওন্তোকপা ঙম্মাদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই হেমন্তা, টি প্রেমজিৎ, ৱাই ইঙোবী অমদি চিংঙ্গোইনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী ৩৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা অঙথা এফ সি অমদি ইষ্ট্রন স্পের্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খৈনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা অঙথা এফ সিবু য়াম লাকচন্না গোল ৬-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইষ্ট্রন স্পের্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খৈগী গোলশিং অদু অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ / ৩ চনখি।

৩৭ শুবা লীগ মেটচ অসিগী মিনট ১৬ চৎপদা ই এস য়ু ৱাঙ্খৈগী জর্সি নম্বর ১০ থাঙবারনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ১৯ চৎপদা টিম অসিগগী জর্সি নম্বর ২৩ হিমেননা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী মিনট ২৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ থাঙবারনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ইষ্ট্রন স্পের্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ৱাঙ্খৈনা অহেনবা গোল হাপচিলক্লবা হোৎন্নবদগী মিনট ৪৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ২২ রাজদানা মরিশুবা গোল ,জর্সি নম্বর ২৩ হিমেননা মিনট ৫৫ চৎপদা টিমগী ৫ শুবা গোল অদু চনখি।

ই এস য়ু ৱাঙ্খৈগী ৬ শুবা গোল অদু থাঙবারনা মহাক্কী হেদত্রিক গোল ওইনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা চনখি।

মেটচ অসিদা অঙথা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১ এস সোমেন্দ্রাদা মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা রেদ কাদ বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোকহনখি। অদুগা টিমশিংগী জর্সি নম্বর ৫ দেনেল অমসুং জর্সি নম্বর ৪ রোসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন ইবুংঙো, এল রুপেন্দ্র, পি ঐচ লনথোইবা অমদি এল রাজানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু এস এ ) খুরাই অমদি য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( য়ু পি এস এ) পুখাওনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

অদুগা নুংতিল পুং ৩ তাবদা পুখাও রোদ য়ুঠ এসোসিয়েসন ( পি আর ৱাই এ ) খুন্দ্রাকপম অমদি নোঠ ইষ্ট্রন স্পের্টিং য়ুনিয়ন ( এন ই এস য়ু) খুরাইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# ষ্টেট এজ গ্রুপ এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা কে এন এস এ এ মোইরাংনা পূন্না মেদল ৪৩ ফঙদুনা মাঙজিল থারি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী য়ুনিট ২৫ দগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোই ৫০০না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ৩৯ শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী নীনিচনবা নুমিৎ ফাওবদা কে এন এস এ এ মোইরাংনা গোল্ড ১৯, সিলভর ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ ১০ পূন্না মেদল ৪৩ ফঙদুনা মেদল টেল্লিদা মাঙজিল থারি। অদুগা ঐচ এ য়ু হৈরোকনা গোল্ড ১৬, সিলভর ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১৫ পূন্না মেদল ৪৫ ফঙদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি নীনিচনবা নুমিৎতা শান্নখিবা য়ু -১৮ বোইজগী ৪০০ মিটরদা জিওলহকনা অহানবা, এম ডি সহিরখাননা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ বোইজকীদা সি ঐচ চিঙ্খৈনা অহানবা অমসুং ও সনাজাউবনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৬ গীদা দয়ানন্দনা অহানবা অমসুং অনিলনা অনীশুবা তাখি। মেনগীদা এম অলকেননা অহানবা অমসুং কোনুংজাউনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৬ গার্লস ৪০০ মিটরদা ঐচ ভুমেশ্বরিনা অহানবা তাখি। য়ু-১৮ গালর্সকীদা এল অশাকিরননা অহানবা তাখি। য়ু-২০ গালর্সকীদা অরিয়া প্রসানাননা অহানবা অমসুং উপদিয়ানা অনীশুবা তাখি।

য়ু-২০ হেমরদা এম সন্তোসনা অহানবা, কে ঐচ রোবিসননা অনীাুবা তাখি। মেনগীদা মাইপাকসননা অহানবা অমসুং সনাজাউবনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৬ গার্লস হেমরদা এ মহেরনা অহানবা তাখি। য়ু -১৮ গার্লসতা টি ঐচ সনামচানা অহানবা তাখি। ৱুমেনগীদা লক্ষমিনা অহানবা অমসুং ইচনতোম্বীনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৬ বোইজ লোংজমদা বিক্কিসননা অহানবা অমসুং জানিটনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৮ বোইজতা মঙালসনানা অহানবা, শ্যামকেশ্বরনা অনীশুবা তাখি। য়ু -২০ বোইজকীদা সরিফনা অহানবা অমদি রোরিসনা অনীশুবা তাখি। মেনদা রামেসচনন্দ্রনা অহানবা তাখি।

য়ু-১৬ বোইজ হেমরদা ও রোমেসনা অহানবা, এন বুঙোবীনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৮ বোইজ কীদা এল রোবিচন্দ্রননা অহানবা জোন্সন নাওরেমনা অনীশুবা তাখি।

য়ু-১৪ গালর্স লোংজমদা এ অঞ্জিতানা অহানবা, এ কল্পানানা অনীশুবা তাখি। য়ু -১৬ গার্লসতা এস ঙান্থোইনা অহানবা, কে বিদিয়ালক্সমিনা অনীশুবা তাখি। য়ু-১৮ গার্লসতা সোলাকিনা অহানবা, এম বিন্দিয়ানা অনীশুবা তাখি। য়ু-২০ গার্লসকীদা সমিকসানা অহানবা, যি ঐচ অধাপটিনা অনীশুবা তাখি।

ৱুমেন লোংজমদা এ সুরবলানা অহানবা তাখি। অন্দর -১৪ বোইজ লোংজমদা এম ডি অসলম খাননা অহানবা, এন উমাকান্তনা অনীশুবা তাখি। ৱুমেন ১০০ মিটরদা অকানসানা অহানবা তাখি।

য়ু-১৬ গার্লস তাইথালোনদা ইবেয়াইমা চনুনা অহানবা, ৱাই অশঙবীনা অনীশুবা অমদি এন জি দিবিয়ানা অহুমশুবা তাখি। য়ু-১৬ বোইজকীদনা এম দি বদাৱাদিননা অহানবা, এন ধমেন্দ্রনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ সদানন্দনা অহুমশুবা তাখি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অম্ফা) না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩ দা ফমখিবা স্পিসিয়েল জেনরেল বোডি মিটিংদা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মতাংদা কূপ্পা খৎন্নরবা মতুং দা জেনরেল বোডি মিফম অদুদা টিম ১৫ না শরুক য়াবগী অয়াবা পীখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অম্ফা)গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবা সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা অয়াবা পীখ্রবা টিমশিং অদুদি- নেরোকা শাঙকফম, ক্লসা কৈনৌ, এস য়ু শগোলবন্দ, এস এস য়ু শিংজমৈ, ট্রাউ ক্বাকৈথেল, এ আই এম খাবম, নিসা থাংমৈবন্দ, ৱাই পি ঐচ য়ু, নাকো নম্বুল মপাল, মুভানলাই এঠলেটিক, দি এম রাও, য়ু কে বি, এ এফ সি থৌবাল, ৱাই য়ু এফ সি অমদি জি এস সি নি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এফ সি জালেন মণিপুর ষ্টেট লীগতগী রিলিস তৌখিবনা মরম ওইরগা টিম অসিনা মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসননা হায়বদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এস ঐচ দি এস এ)না শীনবা সুপর দিভিজন লীগতা ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

লোয়ননা লীগ অসিবু হেন্না মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক থা অসিগী ৪ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মপাল কাঙজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন (অমসা)গী মিটিং হোলদা লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী সেক্রেটরী অমসুং মেনেজরশিংগী ওইনা জেইন্ট মিটিংসু পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকনা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# এন এস য়ু শেমগৎনবা এন বি সি সিগা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকা এম ও য়ু সহি তৌনরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ নেসনেল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কোর্পোরেসন (এন বি সি সি) অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস অনীগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সহি তৌনদুনা মণিপুরদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কন্সল্টেন্ট ওইনবা য়ানবা পুরকখ্রে হায়না এন বি সি সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, প্রোজেক্ট অসিগীদমক পুন্না লুপা ক্রোর ৪০০ চঙগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, মণিপুরদা হৌজিক শাগৎলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি হৌখিবা চহী ২০১৮ দগী হৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী মখাদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মতম খরগী ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিস হাংদোক্তুনা চলায়বা হৌখ্রবনি।

মসিগী মতুংদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সি) নসু শকখঙনখ্রবা য়ুনিভর্সিটি অমনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা স্পোর্টস অমদি ফেজিকেল এদুকেসনগী লমদা অন্দরগ্রেজুয়েট, পোষ্ট গ্রেজুয়েট, অমদি ডোক্তরেটগী প্রোগ্রাম কয়া তম্বগী খুদোংচাবা পীরি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্নবগীদমক চহী খুদিংগী জুন থাদা ফোর্ম থাবগা লোয়ননা এদমিসন টেষ্ট অমদি কাউন্সেলিং তৌদুনা মহৈরোইশিংবু খনবগী থবকসু চথরি।

## মোনিকা অমদি বিন্দিয়া ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী নোংমৈবুং মল্টিপ্রপস কম্মুনিটি হোলদা পূন্না শান্নরোই ১৫২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৮ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী ৱুমেনদা এম কোনিকা অমদি এ বিন্দিয়া ফাইনেল শান্নরগনি।

ভেটরানগী কাঙলূপ্তা এন ব্রোজেন অমদি এল কেশো ফাইনেল চঙখ্রে। সেনিয়র মেনগী কাঙলূপ্তা সি ঐচ অরুন, এস য়াইসা, এল ঙান্থোইবা, এম মাধোপ, এন য়াইমাসনা অমদি দব্লিউ নেত্রজিৎ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

## এস এল ৱাই ও তেকচম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা দি এফ এ থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস এল ৱাই ও না পি ই এল ৱাই সিবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। এস এল ৱাই ওগী গোল অদু জোন্সননা চনখি।

অনীশুবা মেযচতা ৱাই দিসিনা ই এল ৱাই এস এবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। ৱাই দি সিগী গোলশিং অদু বিকেনা ২ অদুগা গোবিনচন্দ্রনা ১ চনখি।

## কে পি এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২২ দগী বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা টিম ৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩ শুবা এল ইতোমচা নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কে পি এফ সিনা এন সি ৱাই দব্লিউ ওবু ৪-১ দা মায়থিবা পীখি। কে পি এফ সিগী গোলশিং অদু চিঙ্খৈঙানবা, প্রেমচান্দনা ২ অদুগা বিজেন্দ্রোনা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা সাই এস এ জিনা ট্রাকপু ২-০ দা মায়থিবা পীখি। সাই এস এ জিগী গোলশিং অদু দিঙ্কু অমদি জেক্সননা চনখি।


ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔ ꯄꯥꯝꯖꯩ / ড্রাইভর পামজৈ

গাড়ী থৌবা হৈবা মশাগী চহী ২৫ দগী তাদবা চহী ৩ এক্সপরিয়েন্স লৈবা অমদি মশাগী ভেলিদ ড্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা মীওই ২০ অথুবগী লৌনবগী ফোর্ম থাজরি। থাগী তলব ওইনা Rs. 9,000 + Incentive + Allowance পীজগনি। মহৈগী থাক Class - VIII Pass নি লোয়ননা Hindi, English ঙাংবা হৈবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী ওফিস এদ্রেস অসিদগী খঙবিবা য়াগনি। ফোর্ম লাক্লিবা তাং ০২।১০।২০১৯ ফাওবা থাজগনি।

Manipur Cab Service
M.G. Avenue, Thangal Bazar, 2nd Floor MDU Building
Near Punjab National Bank


# ৱিলসনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপকী দাইভিং ইভেন্টগী ১০ মিটর শিনক্রোনাইজতা ংথৌজম ৱিলসন সিংহনা পোইন্ট ২৯০.১৯ ফঙদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুগা লোয়ননা ৩ মিটর শিনক্রোনাইজ এ /বি দসু পোইন্ট ২১৭.২৬ ফঙদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবদা কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লবকী মায়কৈদগী হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌজম ৱিলসন কোংবা নানদৈবম লৈকাইদা লৈবা নিংথৌজম বোরোত অমদি নিংথৌজম অনিতা দেবীগী মচানুপা ৩ গী অতোম্বানি।

ৱিলসন হৌজিক- হৌজিক পুনেগী আর্মি স্পোর্টস ইন্সষ্টিট্যুটতা ত্রেন্নিং তৌদুনা লৈরিবনি। মহাক্না থাক অসি য়ৌন্নবা হোৎন্নবদা লমজিং লমতাকলকপা তাওথোংদগী ওঝা কুঞ্জাকেশ্বরবুসু কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লবকী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নবা উৎল্লক্লি।

## ওভর ওল চেম্পিয়ন কেশ্বরজিৎ ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডর এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোডি বিল্ডিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯ দা তাকয়েল কোলোম লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট মেন ফিজিক্স কম্পিটিসনদা ওভর ওল চেম্পিয়ন তারকখ্রবা পেত্রোইজ জিম তখেলম্বম লৈকাই অমদি অপূনবা ফিটনেস ক্লান শিংজমৈ চিঙামথক্কী শানরোই মরিংমৈ কেশ্বরজিৎ ওকপগী থৌরম অমা অপূনবা ফিটনেস ক্লনদা পাঙথোকখ্রে।

কেশ্বরজিৎ হিয়াংথাং কবুই খুলদা লৈবা মরিংমৈ বাবুগী মচানুপানি। ওকপগী থৌরম অদুদা এম পি টি সিগী এ দি অকোইজম ঝলজিৎ, ফিল্ম মেকর বিমোল ফিবৌ, পেত্রোইজ জিমগী ফাউন্দর টি সুমোরজিৎনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## এস দি ও পল্লেন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চথরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস দি ও পল্লেননা এল এম এল সি সি লাংমৈদোংবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস দি ও পল্লেনগী গোলশিং অদু সন্তোসনা মিনট ৪, সঞ্জিপনা মিনট ৪০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এল এম এল সি সি লাংমৈদোংগী গোল অদুনা পকাজাউনা মিনট ৭৫ দা চনখি।

# ৱাই দি ওগী দয়ারানিনা ফ্যোইলগী অদুগা কে এফ এগী চন্দ্রীকানা ইপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন ( আই ই দি এফ এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী য়ুনিট ৯ দগী লাকপা নুপা ৫৩, নুপী ৩৫ পূন্না ফেন্সর ৮৮ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাককী ওডিটোরিয়ম হোলদা ফার্ষ্ট ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্টি লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন ( আই ই দি এফ এ) গী প্রসিদেন্ট দব্লিউ রঞ্জিৎ, দি ৱাই এস ও ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই বোনি অমদি রির্টিয়দ চিফ ইঞ্জিন্নর পি দব্লিউ দি এম লোকেননা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা কেদেট বোইকী ইপী ইভেন্টদা এস এল এল সিগী কে কেননা অহানবা, এ এফ এগী এন বেন্সনা অনীশুবা, কে এফ এগী এন মাইনিসনা অহুমশুবা অমসুং ৱাই দি ওগী এম দোলরনা মরিশুবা তাখি। ফ্যোইল ইভেন্টদা কে এফ এগী কে ঐচ য়াইফনা অহানবা, ও কে দিনিসনা অনীশুবা, এস দব্লিউ সিগী রোনেলনা অহুমশুবা অমসুং ওলাগী পিটরসননা মরিশুবা তাখি।

কেদেট গালর্সকী ইপী ইভেন্টতা কে এফ এগী কে চন্দ্রীকাননা অহানবা, কে এফ এগী জেনিতানা অনীশুবা, এস এগী ববিচানা অহুমশুবা তাখি। ফ্যোইলদা ৱাই দি ওগী দয়ারানিনা অহানবা, কে এফ এগী জেসিকানা অনীশুবা, এস এগী টি ঐচ সোফিয়ানা অহুমশুবা অমসুং ওলাগী উট্টরানিনা মরিশুবা তাখি।

সেবর ইভেন্টদা কে এফ এগী এস রেবিকানা অহানবা অমসুং এল কে ৱাই সি এগী মরিয়ানা অনীশুবা তাখি।

# কম্মনৱেলঠতা মেদল লৌরকখ্রবা জুদোকাশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর ২৫ দগী ২৯ ফাওবা বরমেঙ্গম ৱালশাল য়ু কেদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলঠ জুদো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা প্রি-কেদেট কাভলূপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা জুদোকা মরি ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমি ময়াং ইম্ফাল অমসুং মণিপুর জুদো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী প্রি-কেদেটতা এম রোশিবিনানা কেজি ৪৪দা গোল্ড মহাক মাইবম ময়াই লৈকাই ময়াং ইম্ফালদগী এম থৌবা অমদি এম রোমিতাগী মচানুপীনি, ঐচ রিশিকান্তনা কেজি ৪২ দা গোল্ড মহাক তোপ উপোকপী ৱাবগাইদগী ঐচ শ্যামচান্দ অমদি ঐচ ইবেমচাগী মচানুপানি, এম রাজেন্দ্রোনা কেজি ৫৫দা ব্রোঞ্জ মহাক মহাক মাইবম ময়াই লৈকাই ময়াং ইম্ফালদগী এম লাকপা অমসুং এম তোনদোনগী মচানুপানি। আই কল্পনানা কেজি ৬৩,ময়াং ইম্ফাল থনা অনীলোঙবীদগী আই মেঝা অমসুং আই লিলিতোম্বীগী মচানুপীনি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ঐচ কেশোরজিৎনা কেদেটকী কেজি ৫০ গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

এল সুশিলানা সেনিয়রগী কেজি ৪৮ কী কাঙলূপ্তা মেদল অদু লৌখিবনি মহাক হৈঙাংদগী আই মনিহার সিংহগী মচানুপীনি।

মোইরাংথেম বিদিয়াশ্বরিনা জুনিয়রগী কেজি ৪৮ কী কাঙলূপ্তা মেদল অদু লৌখিবনি মহাক থাঙ্গা খুনজেম লৈকাইদগী এম দিলাচান্দ সিংহগী মচানুপীনি অমসুং তখেলম্বম ইনুংঙানবীনা জুনিয়রগী কেজি ৬৩ গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অদু লৌখিবনি মহাক শাগোলমাঙদগী টি নবাকুমার মৈতৈগী মচানুপীনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*